# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-10-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  কেন্দ্র সরকারনা টেক্স দিভোলুসন অমসুং এদভান্স ইন্সটোলমেন্টকী লুপা কোতি লিশিং ১,২৭৬ মণিপুরগীদমক পীরকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমনবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

২)  হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা ঙসি বর লাই খুরুম্গী থৌরম মহৌশাগী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোলগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩)  কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না হিজপ উৎ-তারির য়াওনা মসিগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংবু টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসননি হায়না লাউথোকখ্রে।

------

বিরেন (এল)ঃ  কেন্দ্র সরকারনা টেক্স দিভোলুসন অমসুং এদভান্স ইন্সটোলমেন্টকী শরুক অমা ওইনা লুপা কোতি লিশিং ১,২৭৬ মণিপুরগীদমক পীরকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমনবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- কেন্দ্রনা থাদোরক্লিবা শেনফম অসিনা রাজ্য অসিগী সহর অমদি খুঙ্গং চাওখৎহনবা য়াওনা অতৈ হিরম কয়াদা শেমগৎ শাগৎপগী লমদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

পনবা য়াবদি, কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রালয়দগী রাজ্য ২৮ গী টেক্স দিভোলুসন অমসুং এদভান্স ইন্সটোলমেন্টকীদমক পুন্না লুপা কোতি লাখ ১ লিশিং ৭৮,১৭৩ ওক্তোবর থাগী ওইনা থাদোরকখিবনি।

বর (এল)ঃ হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা ঙসি বর লাই খুরুম্বগী থৌরম মহৌশাগী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোলগী থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোক্লি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মশিং য়াম্লবা মীয়ামা লাই খুরুমবগীদমক হিয়াংথাং লাইরেম্বী তমা লাকখি। বর লাই খুরুম্বগা মরী লৈননা পাঙথোকপা সন্ধি পুজা য়াওনা মপুং ওইবা লাইগী থৌরমশিংদি হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা লোইখ্রে। অদুমওইনমক, হৌজিকসু মীয়ামা মখা তানা লাই খুরুম্বা লাকরি। হৌজিক মফম অদুদা লৈরিবা ঐখোয়গী পাউমীদগী পাউ লৌজগে।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা- ব্রি কেয়ার স্কিল সোলুসন অমসুং সন বাথ ট্রষ্টকা খুৎশমদুনা নহাশিংগী ওইবা হোস্পিতালিতি অমসুং রিটেল মেনেজমেন্টকা মরী লৈনবা অনিসুবা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ঙরাংদগী ইম্ফালদা হৌখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থৌরাং অসি রাজ্য অসিগী নহারোলশিংবু থবক পীননবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। ঙরাংদগী হৌখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি মথং চহিগী জনুৱারি অহুম ফাওবা চত্থগনি। প্রোগ্রাম অসিদা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা নহাশিংসু শরুক য়ারি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা দাইওসিসন সোসিয়েল সার্ভিস সোসাইতিগা খুৎশমদুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা তেংনৌপল জিলাগী জাংনোই খুলদা পাঙথোকখ্রে। পুন্না খুঞ্জা ১০০ রোমদা হিদাক লাংথক য়াওনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনখি।

নোনে জিলাগী হাওচোং গভর্নমেন্ট হাইস্কুলদা ঙরাং, আর্মদ ফোর্সশিংদা কমদৌনা চংগনি হায়বগী মতাংদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা লেকচর প্রোগ্রাম

অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহৈরোই ৩০ অমসুং ওজা মঙানা শরুক য়াখি হায়রি।

মরক অসিদা, লৈমাখোং মিলিটরি ষ্টেসনদা ভারত লান্মীনা শিন্দুনা মেন্টেল হেলথকী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লান্মীশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা হকচাং অমদি পুকিং ৱাখল ফনা থমনবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

সেরৌ (এল)ঃ বি.এস.এফকী ১৩১ শুবা বত্তাল্লিয়ন্না ককচিং জিলাগী সেরৌদা কেন্দ্রিয়া পুলিস কল্যান কান্তিন অমা হাংদোকখ্রে। কান্তিন অসিদা ইমুং মনুংদা শিজিন্নবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহল্লি। মফম অদুগী মীয়ামদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা কান্তিন অসি হাংদোকপনি হায়রি।

মৈ (এল)ঃ থার্তি থ্রি কে.ভি. খুমনদগী কংলা ফাওরগা কৈশামপাৎ ফাওবগী ঐচ.টি. লাইন ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী ১১ ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়রি। মৈগী লাহন অসিদা জঙ্গল কত্তিং অমসুং ইলেক্ত্রিক পোল শেমজিনবগী থবক তৌগদবা মরমনা হায়রিবা মতম অসিদা থার্তি থ্রি বাই ইলেভেন কে.ভি কৈশামপাৎ অমসুং কংলা সব-ষ্টেসনশিংনা কোনবা মফমশিংদা মৈ মুৎকনি হায়না এম.এস.পি.সি.এলগী চেরোল অমদা হায়রি।

স্পোর্টস (এল)ঃ গুৱাহাতিদা হৌখিবা থা অসিগী ৫ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া নেসনেল গেমস ২০২৪ গী বেদমিন্টন মশান্নদা দবলগী টাইটল লৌরকখিবা মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদ, ৱাংজিং সব-দিভিজনগী মেনেজর ওইরিবা মহামদ নাসিমুদিন সাহবু দব-দিভিজন অসিগী ষ্টাফশিংনা তরামা ওকখ্রে।

হোম ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না হিজপ উৎ-তারির য়াওনা মসিগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংবু টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসননি হায়না লাউথোকখ্রে। মন্ত্রালয়না

থোকপা গেজেদ নোতিফিকেসন অমদা হায়- হায়রিবা সংস্থান অসিনা নহাশিংবু আই.এস.আই.এসনচিংবা তেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংদা য়াওননবা ঈথিল পীবতা নত্তনা তেরোরিজমগী থবকশিং চত্থনবা ফন্দ খোমগৎলি। ভারত য়াওনা লৈবাক কয়াগী সরকারশিং উথায়দুনা ইস্লামিক ষ্টেট অমা শেমনবা সংস্থান অসিনা হোৎনরি হায়না মরাল শিরি।

রতন ঃ শকাইরবা ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট রতন টাটাগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙরাং মুম্বাইদা রাজ্যগী মপুংফাবা ইকায় খুমবগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। টাটা গ্রুপ্পু মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা রতন টাটা নহাল মুম্বাইগী হোস্পিতাল অমদা লৈখিদবনি। মহাক মশাগী চহি ৮৬ শুখ্রে। মহারাষ্ট্রগী মন্ত্রি মন্দলনা রতন টাটাদা ভারত রত্না পীবীনবা ৱারেপ অমা লৌদুনা কেন্দ্র সরকারদা থাখ্রে। রতন টাটানা লৈখিদবদা মহারাষ্ট্রগী মন্ত্রি মন্দলনসু ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইনা ফোংনরিবা পাউ খরা পানবা তারবদি লৈঙাকা শক খঙদবা খুলশিং খুদোংচাবা পীদনবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবগী পাউ, হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা ফুরুপ মশেল ৱারী শান্নবা য়াই হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অমদি ঙসি নিউ দিল্লিদা য়ু.এন.সিগা ত্রাইপরটাইট টোল্ক চত্থরগনি হায়বা পাউশিং অসিনা ওইরি।

সনালৈবাক্তা- লৈঙাকা শক খঙদবা খুলশিং খুদোংচাবা পীদনবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মসিগা মান্নবা পাউশিং- মণিপুর নিউজ, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, পোকফম, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

দেঙ্গি লাইচৎনা মণিপুরদা মীওই মরি শিরে, নুমিৎ মরিনিদা ২৮৩ পোজিতিভ ওইখ্রে হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ৱারোইগী ফুরুপ মশেল ৱারী শারবা য়াই হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙরাং তাকয়েলদা শাবা কন্সট্রক্সন ৱার্করশিংগী নাইট সেল্টর বিল্ডিং অহুম শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি পোকফমদনা মণিপুরগী ইরাংশি দিল্লিদা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা খন্নখ্রে- সি.এম. হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- লুপা ক্রোর ১৫০ চংনা ৱার্কিং ৱিমেন হোষ্টেল ১০ শারগনি, ঈচাউনা শোকখিবা লম্বীশিং শেমজিন্নবা সেন্তরনা লুপা ক্রোর ২০০ হেন্না সেঙ্কসন তৌরকখ্রে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- নুংশাই ভিলেজদা পুলিস ষ্টেসন অমা হাংদোক্লগনি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- এম.পি. অনি পুথোকপা ঙমখিবা কংগ্রেসতা থোমজিন্নরক্লে, এক্স মিনিষ্টর জয়েন্তকুমার য়াওনা মীওই ৯ কংগ্রেসতা য়াওখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেমখিবগী মতাংদা ৱারী শান্নবা য়ু.এন.সিগী কাংবু দিল্লিদা থুংখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- রাজ্য অসিদা কংক্রিত রোড শেমনবা লুপা কোতি লিশিং ৩,৫০০ সেঙ্কসন তৌরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- রাজ্য অসিদা ৱাখল লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলক্লি হায়না হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা মরুওইবা পাড ওইনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- ইন্দিষ্ট্রিয়েল ট্রেনিং সেন্তর, নাইট সেল্টর অহুম শঙ্গাখ্রে, মীওই খুদিংমক লৈঙাকা থবক পীবা ঙমলোইদবনা মশানা মশাবু থবক পীজনবা থৌরাং পায়খৎলি- সি.এম. হায়বা পাউ অসিনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- পুলিস ষ্টেসন ১৯ না কোনবা মফমশিং নত্তনা রাজ্য অসিগী মফম পুমমক্তা অফস্পা মখা তানা থমবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- ঙসি নিউ দিল্লিদা য়ু.এন.সিগা কেন্দ্র সরকারগা ৱারী শান্নরগনি, য়ু.এন.সিগী কাংবু দিল্লিদা থুংখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------